# পাকিস্তাননা ইরানগী স্পাই দ্রোন কাপথখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুন ২১:
পাকিস্তানগী ইরাং কনবা বালোচিষ্টান প্রোভিন্সতা স্পায়িং মিশন অমদা পাইবনি হায়বা ইরানগী দ্রোন অমা পাকিস্তান এয়র ফোর্সকী ফাইটর অমনা কাপথখ্রে।

পাকিস্তান এয়র ফোর্সকী লৈবাক অসিনা মপানগী মতেং য়াওদনা মশানা শাজবা জে এফ-১৭ থন্দর ফাইটর অমনা বালোচিষ্টানগী পাঞ্জগুর এরিয়াদা ইরানিয়ন দ্রোন অদু কাপথখিবনি হায়না পাকিস্তানগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

দ্রোন অদু করম্বা মতমদা কাপথখিবনো হায়বা শেংনা খঙখিদে তৌইগুম্বসুং ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মদুগী অকাই অতোই শরুকশিং থেংনখি।

পাকিস্তাননা ইরানগা বোর্দর শাংনা স্যের তৌই। হন্দক থা খরসিদা পাকিস্তানি বোর্দরদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিংগী মরমদা ইরাননা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি। ইরানগী অর্মি চিফনা হন্দক্তগা পাকিস্তান মনুংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংদা মিলিটরি ষ্ট্রাইক চথরকপা য়াই হায়না চেকশিনৱারোল ফোঙদোকখিবদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

# ফিলিপিন্সকী স্কুল ১দা মুস্লিম লালহৌবশিংনা মীচমশিং ফাজিল্লগা মীগী চুঙ্গোইশিং ওইহনখ্রে



মরাৱি (ফিলিপিন্স, জুন ২১:
সাউথদর্ন ফিলিপিন্সকী ভিলেজ অমদা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা স্কুল অমা পাইশিনখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া মফমদুদা হোষ্টেজশিং ওইনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে। স্কুল অদু জিহাদিষ্টশিংনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা থা অমরোম লাল কন্না শোক্লরকখিবা মরাৱি সিটিদগী পূং খরদমক গাড়ি থৌরগা য়ৌবা মফমনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোক্লি।

নোংঙালমদাইদা গনমেন চা কয়ানা অহানবদা গার্দ মরাং কাইদবা মিলিটরি আউটপোষ্ট অমদা এতেক তৌখি, মিলিটেন্ট কয়া মফমদুদগী অমুক হন্দে দাকখি তৌইগুম্বসুং মখোয় ৩০ মুক্না স্কুল অমা পাইশিনখি অমসুং সিভিল্যানশিংবু হ্যুমেন সিল্ফশিং ওইনা থল্লি হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক হৌজিকমক মখোয় সিভিলিয়ানশিং ফাজিল্লগা স্কুলদুদা লৈরি। মখোয়না সিভিলিয়নশিংবু হ্যুমেন সিল্ডশিং ওইনা শিজিন্নরি হায়না এরিয়া অদুগী রেসপোন্সিবিলিটি পাইরিবা অর্মি দিভিজনগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন অর্বিন ইনমিনাসনা ফোন্দা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখি মদুদি, গনমেনশিংদুনা স্কুলদুগী অকোইবদা আই ঈ দি কয়া প্লান্ট তৌশিন্নখ্রে। মখোয়না হোষ্টেজ কয়া ফাজিন্দুনা থল্লিবগে নত্রগা মখোয়গী মনুংদা অঙাংশিংসু য়াওরিব্রা হায়বদু মহাক খঙবা ঙমদে।

হোষ্টেজশিং ফাজিন্দুনা থম্বগী ইরাং অদু ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপকা মরী লৈনবা ফাইটরশিংনা গ্রুপশিংগা থা অমরোম লাল শোক্লরকখিবা মরাৱারি সিটিদগী কিলোমিটর ১৬০ রোম লাপ্না লৈবা ফার্মিং টাউন অমা ওইরিবা পিগকাৱায়ান্দা থোকখিবনি। মরাৱি সিটিগী লাল অদুদা মীওই চা কয়া শিখ্রবনি।

আমর্দ ফোর্সেসকী স্পোক্সমেন রেসতিৢতো পাদিলানা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী এতেক্করশিংদু সাউদর্ন ফিলিপিন্সকী মিন দানাও লমদমদা ওপরেট তৌবা ইস্লামিক ষ্টেটপু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রবা গ্রুপ মরিগী মনুংদা অমা ওইরিবা বাংমামোরো ইস্লামিক ফ্রীদম ফাইটরস (বি আই এফ এফ) কী মীওইশিংনি হায়খি।

লোকল পুলিসনা ফোঙদোকখি মদুদি, বি আই টি এফকী এতেক অদু মরাৱিদা লাল শোক্লরিবা গ্রুপশিংবু ৱাখল চোইহন্দুনা মিঙটেন্টশিংদা মতেং পাংনবা পাঙথোকখিবা ওইরম্বা য়াই।

পাদিলানা হায়খি, গনমেনশিংদুনা অয়ুক নোংঙাল্লকপা মতম অদুৱাইদা আউট পোষ্ট অদুদা এতেক তৌখি অমসুং গ্রুপশিংগা নোংমৈ কাপ্নরবা মতুংদা হিট-এন্দ-রনগী অসোল্ট অমদা বি আই এফ এফকী ফাইটরশিংনা মমাঙদা তৌখিবগুম্না অমুক মফমদুদগী ৱিথদ্রো তৌখি। অয়ুক অথেঙবদা পাদিলানা মিলিটেন্টশিংদু মখোয়গী মিসন ফেল ওইদুনা হনখ্রে হায়খি।

অদুম ওইনমক পুং তরুক লৈরগা ইনসিনাসনা স্কুল অদুদা থোক্লিবা হোষ্টেজ ক্রাইসিস অদুগী পাউদম পীরকখি। মদুগী তুংদা পাদিলানা টেলিভিজন্দা থোক্লক্লগা মিলিটেন্টশিংদুনা স্কুলদু ওকুপাই তৌরি হায়বদু কনফার্ম তৌখি।

পিগকাৱায়ানগী মেয়র এলিসিও গার্সেসানা অহানবগী এতেক অদুদা গনমেন ২০০ রোম য়াওই হায়খি।

কোলিকশিংনা মশিং য়াম্বা ফিলিপিন্সকী খা থংবা শরুক্তা নিংখা তম্বা লৈবাক অমা নত্রগা ওতোনোমস রিজন অমগীদমক মুস্লিম রেজেলশিংনা চহী ৪০ হেন্না খূৎলাই পাইদুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা লাল শোক্ল রকখিবনি। রেবেলশিংগী শাংলবা লালহৌ অদুদা মীওই ১২০,০০০ হেন্না শিখ্রে হায়রি।

# ইরাক্কি ফোর্সশিং ইস্লামিক ষ্টেটনা কলিদেন্ট লাওথোকখিবা মোসুলগী মোস্ক তম্না চঙশিনখ্রে



মোসুল, জুন ২১:
য়ু এসনা শৌগৎপা ইরাকি ফোর্সশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটনা চহী অহুমগী মমাঙদা সেল্ফ ষ্টাইল্ড কলিফেট অমা শেম্লে হায়না লাওথোকখিবা মোসুলদা লৈবা মোস্কে অমাতম্না চঙশিনবা হৌখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

ফোর্সশিং পুন্না জিহাদিষ্ট গ্রুপতুগী মোস্ক লৈরিবা ওল্ড সিটি মোসুলদা লৈবা ষ্ট্রোংজেল্ড কোইশিনখি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

ইরাকি মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, পুৱারীগী ময়াই থংবা মতমগী গ্রান্দ অল-নুরি মোস্ক অদুদগী মিটর ২০০ দগী ৩০০ লোমদম চৎলগা কাউন্টর টেররিজম সার্ভিস (সি টি এস) লৈ।

ইস্লামিক ষ্টেটকা লান্থেংনরিবা ইন্টরনেসনল কোলিজনগী বৃটিশ দেপ্যুটি কম্মান্দর মেজর জেনরেল রুপটি জোন্সনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি মদুদি, ইরাকি ফোর্সশিংদু মোস্ক অদুদগী মিটর ৩০০ রোমদমক লান্না লৈখ্রে।

হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর ১৭ তগী হৌখিবা মোসুলগী ওফেনিভতা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসননা ইরাকি ফোর্সশিংদা এয়র অমসুং গ্রাউন্দ সপোর্ট পীরিবনি। ইস্লামিক মিলিটরিশিংদুনা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী মফম কয়া পাইশিল্লবা মতুংদা মখোয়গী লিদর অদু বাকর অল-বাঘদাদিনা মোস্ক অদুগী পেলপিটতগী মশামক কলিফনি হায়না লাওথোকখি।

কলিদেট অমা শেম্লে অমসুং মদুগী কলিদনা মশামক্লি হায়না অল বাঘদাকিনা লাওথোকখিবা হৌখিবা ২০১৪ গী জুনদগী মহাক্কী অমুবা ফিরাল অদু মোস্কতুগী ফাওরবা অপৈবা সিনারেটতা পাইহন্দুনা লাকখি। ইরাকি ওফিসলশিংনা মোস্ক অদু রেমদান গোইল লোইশিনবগী ফেষ্টিভেল ইদ অল-ফিটর ফাওবগী মনুংদা খুদুম চনবা ঙম্বা য়াই হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রবনি। ইদকী অহানবা নুমিৎ অদু চহী অসিগী ওইনা জুন ২৫ নত্রগা ইরাক্তা জুন ২৬ তা তাই।

ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেটকীদি ফেক্তো কেপিটেল ওইরিবা মোসুল খুদুম চন্নবগীদমক্তা থা নিপান চুপ্না চথরকখিবা লান্দাদা অরিবা সিটি অসিগী খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা অমা ওইরক্লি।

মীচম ১০০,০০০ হেন্না মল্লবা য়ুমশিংদা চানবা চিঞ্জাক, ঈশিং, হিদাক লাংথক ইয়াও য়াওদনা, মৈ য়াওদনা অমসুং ক্লিনিক্কী খুদোংচাবা য়াওদনা লাংদা থুবগা মান্নলা লৈরি।

ইন্টরনেসনল কম্মিটি ওফ রেদ ক্রোসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা অশোল অনাশিং অমসুং অশোক অপন নংলবা ইস্লামিক ষ্টেটকী লাইনশিংদগী নাম্থোকখিবা মীওইশিং মশিং য়াম্না শিখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়খি।

# য়ুএন চিফনা য়ুএসগী ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈননা লৌরিবা ফিরেপতা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু য়োর্ক, জুন ২১:
য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্দা চেকশিনৱা পীরদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা মায়োক্লরিবা ইস্যু কয়াদগী মমাই লৈথোকখিবা তারবদি লৈবাক অসি অতৈনা মহুৎ শিনখিগনি অমসুং মদু অমেরিকাগী নত্রগা মালেমগী ওইনা অফবা ওইরোই।

হৌখিবা জান্যুৱারিদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মকোক (সেক্রেটরি জেনরেল) ওইনা থবক হৌখিবদগী পাঙথোকপা অহানবা প্রেস কনফরেন্সতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা গুটেটরসনা হায়খি মদুদি, য়ু এসনা পীরম্বা য়ু এনগী ফন্দশিং ককথনবা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা প্রপোজ তৌরিবসি খুদোংথিনিঙাই ওইগনি অমসুং মসিনা য়ু এনগী মেনেজমেন্টদা সোলভ তৌবা ঙল্লরোইদবা ব্লেম অমা থোকহল্লগনি।

তৌইগুম্বসুং য়ু এন চিফনা মহাক প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱারেপশিংগী মায়োক্তা লেপ্পদা কীবা লৈতে হায়খি অমসুং য়ু এসকী লিদর অসিনা পেরিস ক্লাইমেট এগ্রিমেন্টদগী ৱিথদ্রো তৌখিবদা মহাক্না মদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী মতাংদা পনখি। মহাক্না হায়খি, য়ু এস বিজনেস অমসুং সিভিল সোসাইটিনা ক্লাইমেট দিল অদুবু শৌগৎলদুনা মোবিলাইজেসন তৌরিবসি ঐখোয়না কন্না পূক্লিং থৌগৎলিবা থাজবা য়াবা সিগনেল অমনি।

মালেমগী ক্রাইসিস কয়াদা মীৎয়েং চঙলদুনা গুটেটরসনা সিরিয়াগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়াগী মরক্তা হকথেংননা মুক্নরকপা য়াই হায়খি অমসুং য়ু এসনা সিরিয়াগী জেট অমা কাপথখিবগী মতাংদা ৱাশিংটন অমসুং মোস্কোগী মরক্তা উংখৎনবা লেপ্পবা তকশিনখি।

মসি য়াম্না মরুওই মরমদি এক্টর মশিং য়াম্না লৈবা কনফ্লিক্টকী ফিভম অমদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অসি য়াম্না খুদোংথীনিঙাই ওই।

য়ু এন চিফনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, সাউথ সুদান, কোঙ্গো, সেনট্রেল আফ্রিকান রিপব্লিক, সিরিয়া, লিবিয়া অমসুং হন্দক্তা অফঘানিষ্টান অমসুং সাইপ্রস য়াওনা মালেমগী মশিং য়াম্লবা কনফ্লিক্টশিংদা মহাক্না মাই পাক্না মিদিয়েসন তৌনবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। মহাক্কী ৱাফম অদুনা প্রোব্লেমশিং ইৱাই লাইনা সোলভ তৌবা য়াগনি হায়বগী ৱাফম নত্তে হায়না ফোঙদোক্লদুনা গুটেরসনা হায়খি, পৱারগী মরীশিং ময়েক শেংদবা অমসুং ফৎতবা তৌবগীসু চৈরাক ফংহন্দবা নত্রগা পীদবসু য়াওবা অমসুং করি থোক্লক্কদগে হায়বা ঙস্বগী ফিভম লৈতবা মালেম অমদা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটি মরুওইনা য়ু এনগী কনফ্লিক্য থীংবা নত্রগা লৈখাই তাথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল ঙসিদি য়াম্না লীক্লা লৈরে।

কটর অমসুং সাউদি অরাবিয়া অমসুং অতৈ গল্ফগী লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈরিবা দিপ্লোমেটিক ক্রাইসিসকী মতাংদা পল্লদুনা য়ু এনগী চিফ অসিনা মহাক্কী ৱাখলদা খ্বাইদগী মায় পাক্না ৱাতেম্বগী থবক অদু কুৱেটনা লুচিংদুনা হৌজিক হোৎনরিবা রিজনেলগী ওইবা ৱাতেম্বগী থবক অসিনা ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

# থাইলেন্দগী নিংথৌ এয়র পিষ্টলনা কাপ্পদা শোকহৌদ্রে



বর্জিন, জুন ২১:
থাইলেন্দগী নিংথৌ নুপামচা অনীনা অমম্বদা এয়র পিষ্টল অমনা কাপ্পদা শোকহৌদ্রে হায়না জর্ম্মনিদা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

জর্ম্মনিদা অয়াম্বা লৈ হায়না লৌনবা থাইলেন্দগী নিংথৌ মহা ভাজিরালোংকোন হৌখিবা অহিং অথেঙবদা ম্যুনিক এয়রপোর্ট মনাক্তা মহাক্কী খোংলোইশিংগা লোয়নলা সাইকল থৌদুনা চৎখি।

চহী ১৩ অমসুং ১৪ গী লেঙ্গাশিং ওইবা নুপামচা অনীদুনা হৌখিবা জুন ১০ দা ইর্দিং টাউনগী য়ূম অমগী থোংনাওদগী মঙোন্দা এয়র পিষ্টলনা কাপখিবনি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

পিষ্টলনা কাপ্পদুদা নিংথৌদু অশোক-অপন নংখিব্রা হায়বা চপ চানা খঙখিদে তৌইগুম্বসুং থৌদোক অদুদা কনামৎতা শোকখিদে।

মশাগী চহী ৬৪ শুরবা নিংথৌ ভাজিরালোংকোন হৌখিবা চহীদা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদবা মতুংদা ফম্বাল কাখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা নিংথৌ মশাদা পানখি নত্রগা পানখিদে হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক ফাওবদা খঙলিবদি নিংথৌদু সাইক্লিষ্ট গ্রুপ অমগী মরক্তা য়াওখি অমসুং গ্রুপ অসি তম্না এয়র পিষ্টলনা কাপখি হায়বসিনি হায়না লোকল প্রোসিক্যুটরগী ওফিসকী স্পোক্সমেন থোমাস রোসরনা বিবিসি থাইদা ফোঙদোকখি।

# রসিয়ন জেট অমা য়ুএসকী স্পাই প্লেনদগী ফুট ৫দমক লাপ্না পাইখ্রে



ৱাশিংটন, জুন ২১:
বল্টিক সিগী মথক্তা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রসিয়ন জেট অমা য়ু এসকী রিকোনিসন্স প্লেন অমগী মশাগী মতোন্দগী শুপ্নগী ফুট মঙাগী লমগী মনুংদা পাইখ্রে হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা হায়রি।

রসিয়ন পাইলোট অদুগী নকশিল্লকপগী স্পীদ ৱাংমনখিবা অমসুং এয়রক্রাফটতুবু নীংথিনা কনট্রোল তৌখিদবগী মওং অদুনা এয়রক্রাফট অনী নকশিন্নখিবগী থৌদোক্তু খুদোংথীনিঙাই ওই হায়না লৌগনি হায়না ওফিসলশিংদুনা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং রসিয়াগী মায়কৈদগী অমেরিকান ওফিসলশিংগী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ু এসকী প্লেন অদুনা কাইহৌবগী মওংদা মুভমেন্ট খরা তৌখি হায়খ্রে।

চৈরকসিদা নেটোগী জেট অমনা দিফেন্স মিনিষ্টর পুবা রসিয়ন প্লেন অমগী মনাক নক্না পাইখ্রে হায়না রসিয়ন মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নেটোগী এফ-১৬ ফাইটর জেট অদু বাল্টিককী মথক্তা রসিয়ন সু-২৭ মিলিটরি জেট অমনা তানখি ষ্টেটনা রন তৌবা টাস ন্যুজ এজেন্সিনা প্লেন অদুদা তোংলিবা মসিগী রিপোর্টর অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

টাসকী পাউদুনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগু প্লেন অদুদা মালেমগী ঈশিংগী শরুকশিংগী মথক লান্না রসিয়ন এনক্লিভ কালিনিগ্রেদ তম্না পাইখিবনি। রিপোর্ট অদুনা মখা তাবা অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

থৌদোকশিং অসি সিরিয়াদা অমেরিকাগা মীচং ওইনবা রেবেলশিংবু টার্গেট তৌখিবনি হায়বা সিরিয়ন জেট অমা য়ু এসকী জেট অমনা কাপথখিবা মতুংদা ৱাশিংটন অমসুং মোস্কোগী মরক্তা নৌহৌননা টেন্সন হেনগৎলকঙৈদা থোক্লক্লিবনি।

সিরিয়ন জেট অদুবু কাপথখিবগী পাউখুম ওইনা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টগী মীচং অমা ওইরিবা রসিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চেকশিনৱা পীরদুনা সিরিয়াদা পাইরিবা য়ু এসকী জেটশিং তার্গেটশিংনি হায়না লৌরগনি হায়খিবনি।




HL-B/3834/27/04-27/05

# EMPLOYMENT NEWS

**NIT Calicut Recruitment – National Institute of Technology – 113 Technical Staff Vacancy– Walk-In-Interview 04 to 07 July 2017**

**NIT CALICUT RECRUITMENT 2017**

National Institute of Technology (NIT) Calicut invites Application for the post of 113 Technical Staff on Purely Adhoc basis. Walk-In-Interview 04 to 07 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NIT Calicut Job Details :**

Post Name : Technical Staff
No. of Vacancy : 113 Posts
Pay Scale : Rs. 12500/- for Diploma Holder & Rs.10000/- for ITI Holder

**Eligible Criteria for NIT Calicut Recruitment :**

**Educational Qualification :** B.Tech/BE/B.Sc/Diploma/ M.Sc/ITI in relevant discipline.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** Maximum age limit 30 years As on 01.07.2017

**Job Location :** Calicut (Kerala)

**Selection Process :** Selection will be made on Personal Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply NIT Calicut Vacancy :** Interested Candidates may appear for Interview along with Original & photocopies of relevant document at the time of Interview.

**Important Dates to Remember :**

**Date of Walk-In-Interview :** 04 to 07.07.2017 at 08:00 AM

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :**

http://www.nitc.ac.in/app/webroot/img/upload/96411414.pdf

**NABARD Recruitment – National Bank for Agriculture and Rural Development – 91 Assistant Managers Vacancy – Last Date 10 July 2017 NABARD Recruitment 2017**

National Bank for Agriculture and Rural Development (NABARD) invites Applications for the post of 91 Assistant Managers in Grade 'A' (RDBS) in various Discipline. Apply Online before 10 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NABARD Job Details :**

**Post Name :** Assistant Managers in Grade 'A
**No of Vacancy :** 91 Posts
**Pay Scale :** Rs.28150-55600/-

**Discipline wise Vacancy :**

**General :** 46 Posts
**Economics :** 05 Posts
**Agriculture :** 06 Posts
**Agriculture Engineering :** 02 Posts
**Plantation & Horticulture :** 04 Posts
**Animal Husbandry :** 05 Posts
**Fisheries :** 03 Posts
**Food Processing :** 03 Posts
**Forestry :** 03 Posts
**Environmental Engineering :** 03 Posts
**Water Resource Development & Management :** 04 Posts
**Social Work :** 02 Posts
**Chartered Accountant :** 03 Posts
**Company Secretary :** 02 Posts

**Eligibility Criteria for NABARD Recruitment :**

**Educational Qualification :**

For General : Bachelor's Degree in any subject from a recognized University with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate or Post Graduate degree with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate or Ph.D OR Chartered Accountant /Cost Accountant / Company Secretary with Bachelor's degree OR Two year full time P.G. Diploma in Management / full time MBA degree from institutions recognized by GOI / UGC with Bachelor's Degree in any discipline.

For Agriculture : Bachelor's Degree in Agriculture from any recognized University with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants – 45%) in aggregate or Post Graduate degree in Agriculture with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate.

**Notice :** all others discipline wise qualification as per official notification

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 21 to 30 years As on 01.06.2017

**Job Location :** Mumbai (Maharashtra)

**Selection Process :** Selection will be based on Preliminary Online Examination, Main Online Examination & Interview.

**Application Fee :** SC/ST Candidates have to Pay Rs.150/- & Rs.800/- for all others Candidates through Master/Visa/Rupay Debit or Credit Cards or Internet Banking, IMPS, Cash cards/ Mobile Wallets by providing information as asked on the screen.

**How to Apply NABARD Vacancy:**

Interested Candidates may apply Online through the website https://www.nabard.org from 19.06.2017 to 10.07.2017.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date for Submission of Online Application :** 19.06.2017

**Last Date for Submission of Online Application & Fee :** 10.07.2017

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :**

https://www.nabard.org/auth/writereaddata/CareerNotices/1906175837Advt%202017-Grade%20A Final%20for%20website% 2016.33% 20hrs%2019%20June.pdf

**Apply Online :**

http://ibps.sifyitest.com/nabardrdbsmay17/